**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 09-10-2025)**

**এনপিপি (এল)ঃ** নেসনেল পিপলস পার্তি (এন.পি.পি) গী নেসনেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে. সংমা নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতা থুংলবা মতুংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা শ্রী সংমানা হায়-রাজ্য অসিদা তংদু লৈতোবা অমদি শান্তি হজিলহন্নবগীদমক রাজনিতি দলশিং, ষ্টেকহোল্ডরশিং অমদি তোঙান তোঙনাবা মীওই কাংলুপ কয়ানা অমত্তা ওইনা চৎমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। রাজ্য অসিদা তুং কোইনা শান্তি থমবগীদমক অমনা অমবু থাজবা থম্বা তঙাইফদে।

শ্রী সংমানা, হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা মীতৈ অমদি নাগাগী তোঙান তোঙানবা লুপকী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। তুংদা, শ্রী সংমানা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগসু ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখি।

**ৱাশক (এল)ঃ** এম.পি.এস.সিগী চেয়ারমেন ওইরম্বতা নত্তনা নেসনেল কম্মিসন ফোর মাইনোরিটিজগী সেক্রেটরিগী থো পুরম্বা-সিধার্থ কিশোর দেব বরমন ঙসি মণিপুর লোক আয়ুক্তগী নোন-জ্দিসিয়েল মেম্বর ওইনা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখ্রে। মহাকপু ইম্ফালগী রাজ ভবনগী দরবার হোলদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোয়ল য়াওনা রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

পনবা য়াই, সিধার্থ কিশোর দেব বরমন ইং ১৯৮৮ বেটচকী আই.এ.এস

মণিপুর কাদরনি। মহাক রাজ্য অসিদা দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিভাগ কয়াদা থবক পুরমখি অমদি কেন্দ্র সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংদসু থবক তৌরম্বতা নত্তনা আফগানিস্তান সরকারগী য়ু.এন.দি.পি এদভাইজর ফাওবা ওইরমখি।

**ৱিক (এল)ঃ** চয়োল অমা চুপা চথুরকখিবা ৭১ শুবা লমলক্কী শা-উচেক কনবগী চয়োল পালন ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা লোয়শিনবগী থৌরমদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানা হায়- লমলক্কী শা-উচেক ঙাকপী শেনবীবা হায়বসি সরকার খক্তনা ঙমলোই। মসিদা মীয়ামগী থৌদাং চাউনা লৈ।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানা ৱাইল্ড লাইফ ত্রষ্ট ওফ ইন্দিয়াগা খুৎশমদুনা পায়খৎপা মণিপুর বিয়ার কঞ্জার্ভেসন প্রোজেক্টসু হৌদোকখি। ফোরেষ্ট রিছোর্স এসেসমেন্ট এন্দ মোনিটরিং সিষ্টেম কৌবা ইসরোগী নেসাকনা শেম্বা ৱেব এপ্লিকেসন অমসু রাজ্যপালনা হৌদোকখি।

থৌরমদুদা রাজ্যপালনা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা মালেমগী তাংলবা শা অমদি পাম্বী মখল কয়া ফংলি। মসিবু য়োকখৎপা হায়বসি তঙাইফদে। হিমালয়ানদা ফংবা শওম মখলশিং মফমশিং-তমেংলোং, তেংনৌপল, কামজোং অমদি চুরাচান্দপুর জিলাদসু ফংলি। উচেক মখলশিংগী মনুংদা লমশাং পাইবা উচেক অমা ওইনা শকখঙলিবা অমুর ফালকোন উচেকশিংসু তমেংলোং জিলাদা চাক্তবা লাক্লিবা অসিমক রাজ্য অসিগী চাউথোকচনিংঙাইনি।

জিরিবাম ফোরেষ্ট দিভিজননসু ৭১ শুবা লমলক্কী শা-উচেক কনবগী চয়োল পালন লোয়শিনবগী থৌরমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা জিরিবামগী উচাথোলদা লৈবা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসারগী কনফরেন্স হোলদগী শরুক য়াখি।

পালন থৌরম অসিগী মনুং চন্না জিরিবাম জিলাদসু জিলা অসিগী ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা কুইজ, এসে, ৱাইল্ড লাইফ পেন্টিং কম্পিটিসননচিংবা পাঙথোকখি।

**পোলিও (এল)ঃ** অঙাংশিং, পোলিও লায়নাদগী ঙাকথোকবা পোলিও হিদাক পীথকপগী থৌরম থা অসিগী ১২ দগী ১৪ ফাওবা হৌরগনি।

থৌরাং অসি রাজ্যগী য়াইফ যুন্বাল অমসুং হকশেল বিভাগ অমদি নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পোলিও হিদাক পীথকপগী দ্রাইব অসি পায়খৎকনি। ইম্ফালগী য়াইফ যুন্বাল অমসুং হকশেল বিভাগকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা সব-নেসনেল ইম্যুনাইজেসন ডেগী থৌরম অমদি পাউমীশিংদা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংলদুনা ফেমিলি ৱেলফিয়ার সাভির্সেসকী দাইরেক্তর-ডা: এন. বিনোনা হায়-দ্রাইব অসিদা রাজ্য অসিগী ওইনা জিলা পুমমক্তা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাংদগী হৌরগা চহি মঙা ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং লাখ অহুম লিশিং ১৬,৬৭১ দা পোলিও হিদাক পীথকবা পা দম থল্লি।

রাজ্য অসিগী ওইনা থা অসিগী ১২ দা পোলিও পীথকফম বুত লিশিং ৩,১৬৭ হাংদোক্তুনা হিদাক পীথক্কনি। থংনবা নুমিৎশিং-থা অসিগী ১৩ অমসুং ১৪ দনা যুমথোং যুমথোং চংদুনা পোলিও হিদাক পীথকপগী থবক চত্থগনি। পোলিও হিদাক পীথকপনা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবা অমত্তা ঙায়রবা পাম্বে ওইরি হায়রদুনা ডা: বিনোনা হায়-নুমিৎশিং অসিদা মমা-মপাশিংনা চহি মঙা ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংবু পোলিও বুথশিংদা পুরক্তুনা হিদাক পীথকপীয়ু।

**মীতিং (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমা ভালানা সভাপতি ওইদুনা ঙসি রাজ ভবনদা জিরিবাম-খোংশাং-তুপুল ইম্ফাল রেলৱে প্রোজেক্টকী হৌজিক চত্থরিবা থবকশিংগী মতাংদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার রেলৱেগী ওফিসিএলশিংনা প্রোজেক্ট অসিগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল রাজ্যপালদা থমখি। হৌজিক শেমগৎলিবা রেল লম্বী অসিনা ইম্ফালগা শমহন্দুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন্দা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি। প্রোজেক্ট অসিনা রাজ্য অসিদা লম কোইবা মীওইশিং লাকপগী চাং হেনগৎহনবা, উদ্যোগকী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিলহল্লগনি। নহাশিংদসু থবক ফংবগা চাং হেনগৎলগনি। রাজ্য অসিগী শেল থুম অমসুং চাউখৎ থৌরাংগী ফিভমদসু হেন্না খুমাং য়াংশিনবা ঙমহল্লগনি। মীফম অসিদা চীফ সেক্রেটরি, ফোরেষ্ট ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, হোমগী কম্মিস্নারনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**টোবেকো (এল)ঃ** ইনখৎলক্লিবা নহাশিংনা হিদাক মনাগী পোৎশিং শিজিন্নবা থিংননবগী রাজ্য থাক্কী ওইবা কেম্পেইন থ্রি পোইন্ট জিরো, রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা হৌদোকখ্রে।

নেসনেল টোবেকো কন্ট্রোল প্রোগ্রামগী মখাদা হেলথ সার্ভির্সেসকী দাইরেক্তোরেট অমসুং নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা লুচিংদুনা হিদাক মনাগী পোৎথোকশিংদগী লাপবা লৈনবা ৱাশক লৌখি। নুমিৎ তরুকনি চথুগদবা কেম্পেইন অসিনা মরুওইনা হীরম তরুক্তা মীৎয়েং থল্লি। মদুগী মনুংদা মহৈ মশিং তম্ফমশিংদা টোবেকো ফ্রি জোন ওইহনবা, মীয়ামদা হিদাক মনাগী পোৎথোকশিংনা মীওইবদা শোকহল্লিবশিংগী মতাংদা মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াওরি।

**নোনে(এল)ঃ** ঐচ.আই.ভি অমসুং সেক্সুয়েল্লি ত্রান্সমিটেদ ইনফেক্সন (এস.টি.আই) গী মতাংদা ইন্টেনসিফাই ইনর্ফোমেসন এদুকেসন এন্দ কম্ম্যুনিকেসন (আই.সি.ই) কেম্পেইন নোনে জিলাগী লোংমাই বজারদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ইন্টিগ্রেটেদ ষ্ট্রেটেজি ফোর ঐচ.আই.ভি-এইদস (দিসা) ক্লস্তার-তমেংলোং অমসুং নোনেনা ৱাকর স্কিম তমেংলোংগা খুৎশমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এইদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল য়ুনিটকী সুপরভাইজর-এম.এস. স্তেফেন চিরুনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

**নোং(এল)ঃ** মনিপুরগী জিলা খুদিংমক্তা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল ইম্ফাল সেন্টরগী চেরোল অমনা হায়-ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট য়াওনা জিলা খুদিংমক্তা হয়েং ফাওবা নোং চুগনি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা পি.এম. ধন ধনিয়া ক্রিসি য়োজনা অমসুং মীসন ফোর অত্ম নিরভারতা ইন-পলসেস হৌদোক্কনি।

পি.এম. ধন ধনিয়া ক্রিসি য়োজনা স্কিম অসিনা লৌমীশিংবু পোৎথোক হেন্না পুথোকহন্দুনা মীপাল তাংদবা লমদম ওইহনবতা নত্তনা লৌফমশিংগী ইথৈ লৌখোংশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমসুং পোৎথোকশিং থমবগী মফম য়াৎপনচিংবা য়াওরি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা লৌউ শিংউ অমসুং লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাং মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-লৈবাক অসি গেহু অমসুং চেংগী পোৎথোকশিংদা মশা মতোমতা লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইরে। লৈবাক অসি হৱাই চেংৱাইগী লমদসু অথুবা মতমদা মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইরগনি। মহাকা হায়-অথুবা মতমদা লৌফম কয়াদা হৱাই চেংৱাইশিং পাক শন্না থাবগী থবক চত্থরগনি। মসিনা পোৎথোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহনবা

ঙল্লগনি।

**বিহার ঃ** বিহার বিধান সভা মীখল নিয়ম চুমা অমসুং অকি অখঙ লৈতনা পাঙথোকবা ওফিসিএল লাখ ৮ মখায় হেন্না মথৌ তৌহল্লগনি হায়রি।

পোল বোদিনা হায়-মসিগী মনুংদা পোল্লিং পার্সোনেল লাখ ৪ লিশিং ৫৩ রোম, পুলিস ওফিসিএল লাখ অনি মখায়, কাউন্টিং পার্সোনেল লিশিং ২৮ হেন্না অমসুং মাইক্রো ওবজারভর লিশিং ১৮ য়াওরি।

কম্মিসননা হায়-অহানবা ওইনা বিহার বিধান সভা কেন্দ্র ২৪৩ দা জেনরেল ওবজাভর অমমম হাপলে। মসিগী মথক্তা পুলিস ওবজাভর ৩৮ অমসুং এক্সপেন্দিচর ৬৭ অমসু থমলে। ওবজরভরশিং অসি মখোয় মখোয়গী বিধান সভা কেন্দ্রশিংদা লৈদুনা য়েংশিনগনি অমদি তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীরেপশিংগা তোইনা উন্নগনি হায়রি।

বিহার বিধান সভা মীখল তাঙ্কক অনি থোকা মথং থাগী ৬ অমসুং ১১ পাঙথোক্কনি। ভোট মশিং মথং থাগী ১৪ দা থিগনি।

**ফূটবোলঃ** ককচিং দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা পাঙথোক্লিবা ২১ সুবা কে.কে. মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.বি.এস.এ-মন্তকনা কে.ৱাই.ডব্লিয়ু.এ.সি. ৱাবগাইবু ৩-২ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা-ৱালিদা ৱাবগাই অমদি কে.এফ.সি. ককচিং পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

**ফূটবোলঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা অহুমশুবা প্রিমিয়র লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়ন-রাউনা ইম্ফাল য়ুথ ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা অনৌবা ইমাগী মঙাল অমদি সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন পাঞ্জল অমমম চন্নদুন দ্রো চৎখি।

**ক্রিকেটঃ** বিনু মনকর ত্রোফি-প্লেট ২০২৫-২৬ কী চহি ১৯ মখাগী ক্রিকেটতা মনিপুরনা অরুনাচল প্রদেসপু রন-৬১ দা থোইখ্রে। চান্দিগরদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মনিপুরনা হান্না বেটিং তৌদুনা ওভর ৪৩ দা রন-২৫৭ লৌবা ঙমখি। মদুগী পাউখুম ওইনা অরুনাচল প্রদেসনা রন-১৯৬ তমক লৌদুনা মায়থিহৌবনি। মনিপুরগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১১ দা মেঘালয়গা শান্নগনি।